# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 16-10-2024)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী লৈরোংথেল পিত্রা উয়োক চীংগী মফমশিংদগী য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমলে হায়রি।

মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্সবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। ঙরাং থৌবাল জিলাদা চত্থখিবা ওপরেসনদা মেগজিন য়াওবা সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এম. এ.কে. রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা সভেন পোইন্ট সিক্স টু এস.এল.আর. রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. এস.এম.জি. রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু ৫৮ য়াওনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়-নেসনেল হায়ৱে নম্বর ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি ১০৭ অমদি নেসনেল হায়ৱে নম্বর টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি ৮১ সেক্যুরিতি ফোর্সক অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল তমা চংল্লকখ্রে। মখা তাবা গাড়িশিং চৎথোক চৎশিনদা অয়েৎ-অপন থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

**সিএম (এল)ঃ** মমাং চহিগী ওক্তোবর তরুক্তা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হৌদোকখিবা লমফেলপাৎ ৱাটর বোদি প্রোজেক্ট মায় পাকা পায়খৎপা ঙমলে।

পনবা য়াবদি, চহি মরিগী প্রোজেক্ট অসি লুপা কোতি ৬৫০ গী শেনফম থাদদুনা ইম্ফাল সহরদা ঈশিং থুমজিনবা থিংননবা, মীয়ামদা ঈশিং ফংহন্নবা অমদি ইকো টুরিজম শেমগৎনবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎখিবনি। প্রোজেক্ট অসি জল শক্তি মন্ত্রালয়গী মখাদা রাজ্য সরকারগী ৱাটর রিছোর্সেস

বিভাগনা পায়খৎপনি।

মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়-লমফেলপাৎ রিজ্‌বিনেসন প্রোজেক্ট খুমাং চাউশিন্না চংশিল্লি। লমফেলপাৎকী অশেংবা মশক হৌজিক ঐখোয়না উবা হৌরক্লে।

**বিরেন (এল)ঃ** ইনভাইরোনমেন্ট ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ মন্ত্রালয়না নেসনেল প্লান ফোর এক্বাটিক ইকো-সিষ্টেমগী মখাদা পায়খৎপা ৱাইথৌ ফুমনোম পাৎ কনবগী থবক খুমাং য়াংনা চংশিন্নবা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হন্না য়েংশিনখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-পাৎ অসিগী অকোইবদা উ পাম্বী লাখ অমা লিশিং ১৪ রোম থাখ্রে। চেক দাম ১৫ শাখ্রে, সিল্ড ত্রেপ য়াওবা পুখ্রি অহুম, বাইও কম্পোজ অমদি ভরমি কমপোজকী পিটশিং থম্বতা নত্তনা লৌমীশিংদা ত্রেন্নিং পীবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা মখলগী থবক থৌরমশিং মায় পাকা চংশিল্লি।

**এৱার্ড(এল)ঃ** মনিপুরগী নুপী লৌমী অনিদা মহিলা কিষান সনমান এৱার্ড পীরক্লে।

গুৱাহাতিগী কৃষ্ণকান্তা হনদিক ষ্টেট ওপন য়ুনিভরসিতিদা পাঙথোকপা মনা পীবগী থৌরম অদুদা চেংগুম থাদুনা শেন্মীৎলোনদা চাউখৎনবা হোৎনরিবী-রাজকুমারী বিনিতা দেবী অমদি তোঙান তোঙানবা মনা-মশিং থাবতা নত্তনা ওক লোয়দুনা রাজ্য অসিগী শেন্মীৎলোনদা চাউনা মতেং পীরিবী কাংঙবম ইন্দিরা দেবীদা ইকায় খুমবা উৎতুনা মনা অসি পীরকপনি।

**হো চোংবা (এল)ঃ** হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মেরা হৌ চোংবগী থৌরমদা শরুক য়ারননবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী মীওইশিং ঙসি ইম্ফালগী সনা কোনুংদা

থুংলরগনি। মখোয়বু রাজ্য সভাগী এম.পি. নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা তরামা ওক্কনি। মপুং ওইবা থৌরম সনা কোনুং অমদি কংলাদা পাঙথোক্কনি।

**থৌপাং(এল)ঃ** দাইরেক্তোরেট ওফ ইনর্ফোমেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স, রাজ্যশ্রী ভগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন মনিপুর অমদি মনিপুরি সাহিত্য পরিষদ-ত্রিপুরানা পুন্না শিনদুনা থা অসিগী ২০ দা দি.আই.পি.আরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রিপুরাগী লময়ানবা কমলজিৎ সিংহগী ১০০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ত্রিপুরাদগী মীওইশিং শরুক য়াগনি।

**দেঙ্গি (এল)ঃ** মনিপুরদা দেঙ্গিগী কেস লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লি। হৌজিক ফাওবদা রাজ্য অসিদা দেঙ্গিগী কেস পুন্না লিশিং ১,৪৫৯ য়ৌরে। ইম্ফাল ৱেষ্টতগী অহুম, বিষ্ণুপুর জিলাদগী অমা পুন্না মীওই মরি লৈখিদ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা দেঙ্গিগী কেস লিশিং ১,০২২, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা ৩০২, বিষ্ণুপুরদা ৪৬, থৌবালদা ৪৩, চান্দেলদা মরি, ককচিংদা ২৪, কাংপোকপীদা ৬, নোনেদা অহুম, সেনাপতিদা অহুম, উখ্রুলদা অহুম, তমেংলেংদা অনি অমসুং কামজোংদা কেস অমা লৈরি।

হেলথ সার্ভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: ও. সনাহনবী দেবীনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-দেঙ্গি লায়নাগী মতাংদা অমদি মনিপুরগী দেঙ্গি গেস কয়া লৈরিবগে হায়বসি দাইরেক্তোরেটকী ওফিসিএল ৱেবসাইট-ঐচ.টি.টি.পি.এস. কোলোন দবল স্লাস মনিপুর হেলথ দাইরেক্তোরেট দোট এম.এন. দোট জি.ও.বি. দোট ইন স্লাসতগী খঙবা য়াগনি।

**জম্মুঃ** জম্মু কাশ্মীরদা নেসনেল কনফরেন্স দলগী লূচিংবা ওমর অব্দুল্লাহগী সরকার ঙসি ৱাশক লৌরগনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম শ্রী নাগরদা লৈবা সের ঈ-কাশ্মীর ইন্টরনেসনেল সেন্তর (এস.কে.আই.সি.সি) দা পাঙথোক্কনি ।

নেসনেল কনফরেন্স দলনা ওমর অব্দুলাহবু য়েৎনবা লৈতনা দল অদুগী লূচিংবা খনখ্রবনি। মদুগী তুংদা, উপ-রাজ্যপাল মনোশ সিনহানা সরকার শেমনবা ওমর অব্দুলাহদা খঙহল্লকখিবনি।

সিট ৯০ লৈবা জম্ম্ কাশ্মীরদা হন্দক পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা নেসনেল কনফরেন্সনা সিট ৪২, মহাক্কী মপাং কংগ্রেসনা ৬ ফংখিবনি। অদুগা, বি.জে.পিনা সিট ২৯ ফংখিবনি।

**নিরমালাঃ** শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারমন, মেক্সিকো অমদি আমেরিকাগী খোঙচৎকীদমক ঙসি ভারত থাদোক্লগনি।

মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা মেক্সিকোগী সিলিকোন ভেল্লিদা পাঙথোক্কদবা টেক লিদরস রাউন্দ টেবলদা সভাপতি ওইগনি। মন্ত্রিনা লৈবাক অদুগী শেল থুম অমদি পব্লিক ক্রেদিত মন্ত্রিগসু উন্নদুনা লৈবাক অনিগী শেল থুমগী মরি হেন্না চেৎশিলহনদুনা তেংবাং পীনবগী মতাংদসু খন্নগনি। তুংদা, শ্রীমতি সিতারামননা লৈবাক অদুগী সংসদকী মেম্বরশিংগসু উন্নগনি। মন্ত্রিনা লৈবাক অসিদা থা অসিগী ২০ ফাওবা নুমিৎ মরিনি লৈগনি। অদুগা থা অসিগী ২৬ ফাওবনা আমেরিকাদা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াদা শরুক য়াগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুরদা শান্তি পুরকবগী থৌরাং অমা ওইনা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী কাংবুগা মনিপুরগী মীহুৎশিংগা উন্নখিবগী পাউ অমদি ঙরাং চথখিবা বন্দনা মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-২০২৩ গী মে অহুমগী মতুংদা অহানবা ওইনা এম.এল.এশিং দিল্লিদা উন্নখ্রে, সন্বিৎ পত্রগা কুকি

এম.এল.এশিংগা হান্না উন্নরগা অতৈগা কোন্না উন্নখি হায়বা পাউ বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

মীতৈ-কুকি অমসুং নাগা এম.এল.এশিং হোল অমদা পুন্না ঙাইহাক ফম্মীন্নরবসু ৱাদি অমত্তা ঙাংনখিদে হায়বা সব হেদলাইন অমসু পীরি।

লৈঙাক্তা য়াওবা এম.এল.এ. খরা কৌরগা মিতিং তৌবনি, পিছ টোক নত্তে হায়বা এম.পি. বিমোল অকোইজমগী ৱাফম পোকফমগী অহানবা লামাইদা ফোংলে।

সনা লৈবাক্তা-ওক্সনদা মনিপুরগী হোকি শান্নরোই লাখ ৩৪ য়ৌবা য়াওরে হায়বা পাউ অসি অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-কাংপোকপী জিলাগী ইচুম কৈরাক কোমগী লমদা নৌনা খুল তাশিন্নবা হোৎনরক্লে হায়বা পাউ অসি অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-মনিপুরদা কৌখিবা পুং ১২ গী বন্দনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যুজতা-খুৎলায় পায়বা লুপশিংগী দিমান্দদা এফ.সি.আইগী গোদাউন্দদা চেং থাবা ঙমদবদগী ষ্টেট অসিদা চেং তাংবা মায়োকরবা য়ারি হায়না এঙ্কর কলমদা ফোংলি। পাউ অসিদা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা এফ.সি.আইগী গোদাউন্দশিংদা লৈফম থোকপা চাংদগী চেং য়াওনা অতৈ ফুদ গ্রেনগী স্তোক অসি চাদা ৮৫ হন্থনা লৈরে হায়বা সব হেদলাইন অমসু পীরি।

হুইয়েন লানপাউদা-মীতৈ-মৈতৈবু এস.টি. লিষ্টতা চলহন্নবগী দিমান্দ খন্নরি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিস্তরনা খঙহল্লকখ্রে হায়বা পাউ অসি অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইরাং লোয়শিন্নবা মীতৈ এম.এল.এশিংগা ৱারী শান্নবা য়ারোই হায়বা কে.এন.ও. অমদি য়ু.পি.এফকী ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-মীতৈ, নাগা এম.এল.এশিংগা উন্নখিবা লৈতে, তোঙানবা কাদা লৈঙাক্কী ওফিসিএল, বি.জে.পিগী লুচিংবশিংগা উন্নখিবনি হায়বা কুকি এম.এল.এশিংগী ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-মীতৈশিংবু এস.টি. ষ্টেটস ফংহন্নবা রিপাব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়া (অথাৱালে) গী নেসনেল প্রসিদেন্ট-রামদাস অথাৱালেনা ত্রাইবেল এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিদা তকশিনখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-মনিপুর হায় কোর্টতা পার্মিনেন্ট মেদিএসন সেন্টর হাংদোকবা সুপ্রিম কোর্টনা অয়াবা পীখ্রে হায়বা পাউ ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-নেসনেল হায়ৱে ১৩৭ তমেংলোং-ময়ুর লম্বী শেম্বগী থবক থিন্তুদনবা এন.পি.এফ. পার্টিগী মেম্বরশিংনা হায়রি হায়বা পাউ অসি ফোংলি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-নৌনা শেমখিবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ হন্দোক্কদবনি হায়বা য়ু.এন.সিগী দিমান্দ কুকি-জোশিংনসু শৌগৎলি হায়বা পাউ ফোংলি।